"পোক্লফম লমদম ইমা, ইরৈবাক হায়বমুক লৈত্রবদা হিংদবনা ফৈ। ফৈ। হেন্না ফৈ।" - *পাচা মীতৈ (ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম)*

শৈরেং

## অখাঙ কনবী লৈরাং

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

করিগী লোৎলি লৈকোলগী লৈরাংনা
নদোম তূমিন অনৌবা উনারক্তা
তাইবঙগী মীনোক মৈশা কিরবরা
নৎত্রগা মখোয়গী মশক য়েংনীংদ্রবরা?
নত্তে অদুগুম্না লোৎতুনা লেনগদবা
থোরক্লো ইকায় ফিরুক মরুমদগী
করিগীসু অদুক নপূক্লিং হন্থরিবা
নহাক্কী নরাল করিবু লৈবগেনে?
কোরৌ মশেক লাক্লে হৌজিক্তি
শুক্ল মল্লবা অহিংসু লোইখরে
অকি-তুজুং পূন্বা থাদোক্তুনা
নকা লাম্না লৈশাৎ তল্লোনে
তাইবঙ মীগী মচিন্দি কবোকনি
থিংবা ঙমলোই মেনবা ওইথোক্লোই
ঙাঙনীংবমখৈ ঙাঙজসনু তাদ তাশিন্নরুনু
অচুম্বা খঙলকপা মিৎকুপ্তা লেপখিগনি;
অখাঙ কনবী লৈরাং লৈপাক্লেগী
মতৌ খরমখৈ তমজৌনে নহাকপু
শারবা কালেনগী নুংশা তেমশিংনদুনা
লৈতঙ্গায় মরক্তগী লিৎখৎতুনা শাৎলিবসে;
লাক্কনি শোয়দনা পান্থা কয়া
য়েন্নীংথা, ওলাংথা, ঈপান্থা, নাকেন্থা
লৈজবা নথৌনা নরীংজেল ফুদোক্তুনা
মায়োক য়াগদবনি অৱা-নুংঙাই খিবিক।

## হিংবা-শিবা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

তূমদনা মঙ মঙলি
অহিংবনা শিবগা
থৌরী চিংনরি ঐ
লাইগী শগোল
কাংজৈ কাংহুসু
পায়হৌদে।
হেঞ্জু নহাগী হুই-থাদ্রবা
কাংজৈ কাংহুদুনা
কয়াম কুইনা হাইরদুনা
শারোই, ঙারোইশিংদুগা
লৈমিন্নখিনি খঙদনা
চেল্লি লমজেল।
তূমদনা মঙ মঙলিঙৈ
ঐনা,
হুই-থাদ্রবা কাংজৈদগী
কাংহুনা
পাইথোকখিবদা লোইরে।

## 'লোকদাউন'

**—বিনোদিনি ফুরাইলাৎপম**

ঐখোয়খক্তগী লমদমসিগীদা নত্তে
মালেম পূন্বগীনি
অমুক্তা থেংনদ্রি পুন্সিসিদা
নাকোংসিনা ইহান হান্না তাবনি
'লোকদাউন'
ইথন্নতগী নত্তে মালেমগী চৎন-পথাপনি,
মফম খুদিং মীয়াম পূনবা থিংখরে
পূল্লবসু হঙ্গৈইনরে অমগা অমগা
মহৈ মহৈ থোঙ লোনশিন্নখরে
মী অমগা অমগা শোক্লবা শম্নবা ফাওবা
অথিংবা থম্নখ্রে।
সহরগী নীল খোংলম্বা পূন্বসু ইচিক চিকখরে
অহাঙবা অতিয়াদা উচেকশিংনা মনীং তল্লি
নারক মোংশোংগী শা-উচেক
পূন্বসু মনীং তম্না থোরক্লে
মহৈ-মহৈ শোন্নে ঙাঙনৈ
করমনো করি মতৌনো?
করি নুমিত্তা হল্লক্কনি
মহৌশাগী পুন্সিদো।

## শিবা ঙাইরি

**—বি মঙাং**

লৌমীশিংনা ৱানা ঙাইরি
কুমগী নোং চুরকপা
নোঙ্গৈবীনা খৌরাংনা ঙাইরি
নোংদোল লাইজ তারকপা
খোইমুশিংনা লাংতক্লনা ঙাইরি
লৈরাংশিংনা লৈশাৎ তল্লকপা
পিক্লিবা অঙাং নৱানা
পলেম মমাগী তম্পাক্তা
ওন্ন-থোইনা হিপ্তুনা
খোল্লাং ইল্লকপা ঙাইরি
লোইবী চীংশাংনা ঙাইরি
উরোক পরেং পাইরকপা
লেমলৈ ঙানা ঙাইরি
কুমগী অকনবা নোং
মপা মমাশিংনা স্কুল থোঙ্গান্দা
মচাশিং থোরকপা ঙাইরি
ডাক্তরশিংনা মতম থারবা
অনাবশিং শিবা ঙাইরি।

## চেক্লা অমদা

**—অঙোম ইবোমচা**

লমদা থাগী থামৈদা
ঋতুনা মাগী ওলাং-থা
শজিবু চৈরাও পাউজেনবা
কোলোই নঙগী মিংলেনদি
তিংগোং কাংগোং মিংথোনবা
লমগী চেক্লা শকহেনবা।
পোইরৈ লমদম কদাইদনো
চেক্লা নঙগী নপাম-লম
মপু কনাগী পাউখোন্নো
চেক্লা নঙনা পুরকপদি
কোলোই মিংলেনদি নহাক্কী
তিংগোং কাংগোং মিংথোনবা
লমগী চেক্লা শকহেনবা।
পামেল মাগী উফৈথক
চেক্লোনা নদোম তোংদুনা
মিকুপ অমত্তং খোংলম্বদি
তাইবঙ পূক্লিং নুংওল্লি
নশক উরুই মফজৈ
নখোন তারুই মনুংশি
কোলোই মিংলেনদি নহাক্কী
তিংগোং কাংগোং মিংথোনবী
লমগী চেক্লা শকহেনবা
লমগী চেক্লা শকহেনবা।

## মুৎখিদৌরবা লমায়

**—মৈস্নাম বীরমনি পাল্লারবোন্দ**

খঙবিদ্রে কনানসু ঙসিদি
লোইখ্রবদা নীংতম লান,
অচুম্বা ইতিহাস ইননবা
কলম য়োন্দব্রা কৈথেলদা?
ইবীগনু পাম্নদবা ইতিহাস
উজনীংদে পাহনবীনু কনাদসু
মীনম্বগী লমায়দা ইবদু।
ইবিয়ু অমুক্তদি অচুম্বদু
মৈতৈ পারি অথোইবগী
লানফমদা থৱায় থাখিবগী
লুখ্রাবী মচানি খনবরা?
চলহনবীনু অকাউবগী লৈরোলনুংদা
শিন্নবীয়ু ঙসিগী মীরোলদা
মৈতৈ পারীদি অথৌবা
ইমাগী ফিজিগী লনদো।
কপখি লাওখি লানফমদা
ইপাগী ইবুংঙো নুংশিরবা
নমাদগী নিরগা পুরকপনি
করি পাউখুন্নুনি ইপানা?
ইপাগী মাঙথানা শিঙম্বা
নঙগুম্বা পারীদি ফংঙল্লরোই
লানফমদগী ইপাসু হল্লরোই
পেন্না কৌহৌরগে চীংলেনসনা।
ওন্না থোয়না খাঙজখি
হাংহৌরবা পলেমগী তম্পাক্লা,
পায়খিবা খূৎলায়দু থারমদ্রি
য়াইবী থৱায়না থাখ্রবসু।
লানফমদা অশিববু শীংনখিবা
মরৈবাক মজাতিগী খনবদা
মৈতৈনা শাক্ষি ওইদ্রবসু
ইংরেজিনদি খঙবীরি ঙসিসু।
পানীংলুই খঙহন্নীংলুই মীয়ামদা
লানফমদা থৱায় থাবগী
অশেংবা বীর চীংলেনসনাবু
মুথৎপীগনু ইতিহাসকী লমায়দগী।

## কংলা শা

**—ইরোম মোবি**

কংলা শা
ময়া কবাক খন্দরে
মশক চুম্লে
মোমোন নোক্লে
তিন য়োৎলে
চাবা য়ারে।
ৱাখল লৌশিং থোক্লনি
অনম অহা চুররোই।
হৌনা হৌনা খোংলনি
মরোল মরী থোক্লনি।
লাইগী মতম লাক্লনি
লাইনীং লম্বী চুম্লনি।
মতিক ময়াই লৈরনি
লাক্লা ফানা ঙল্লরোই।
অরুবনা য়াইদা চেল্লনি
অরান অহুই লৈররোই
লাইনা থাবা লমনি
লাইনা লৈঙাকপনি।
কংলা শানা য়াইফরে
মীয়াম্না য়াইফরে।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# কলচর ইন এদ্যুকেসন



ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈগী লাইরিক তমলকপগী মওংগা হৌজিক্কী মওংগা চাউনা খেন্নরে। ঐখোয়না মপী লাইরিক হায়দুনা আ না অঙাং, আ না আলু, ই না ইরোই, ঈ না ঈশিং হায়না তমলকই। শৈরেং তমলকপদা - ইমা ইপা মিৎনা উবা লাইনি, ওঝা লাকই ফান থাও, হৈক্রু চারগা ঈশিং থকপা হাওই, ক্যামগৈ লৈহাউ লৈবা লমনি.. চিনফা ফারকই। ইচম চম্বা শৈরেং অসিদা ইমা ইপা নুংশিবা লুনা নীংনবা ৱাফম য়াওরি, ওঝাদা নোল্লুকপা উৎনবা মতৌ খঙহল্লি, হৈগী মহাউ, লমগী মশক তাকপা খঙহল্লি। অতোপ্পা শৈরেং অমদা অমুক- চীংখৈ ফিদুপ হল্লক্লে, ক্বাক্কী লানপাউ চেল্লক্লে, চরোইনা তেতু খোঙলক্লে, ইমাগী ইবুংঙো হৌগৎলো ,নমান্নবনা মাঙদা লাইরিক থমখরে..। নোং ঙাল্লকপা মশক তাকপা, লমদমসিগী উচেক ৱায়া মমিং খঙহল্লি, মমানা মচাবু লাইরিক ওরাইনবা হৌগৎনবগী পাউতাক পীরি। 'লাইরিক ওরাইবা ' হায়বা লোলসি ঙসিগী অঙাংশিংদি খঙলরোই। লোলগী মতাংসিমদি হৌজিক্কী অঙাংশিংদি শুকখঙবু খঙদ্রে হায়বা য়াই।

অঙাং ওইরিঙৈ লাইরিক তম্বা চৎপদা টিফিন, ঈশিং থক্লবা বটল পুরক্তে। টিফিন মশক মমিংসু খঙলক্তে। লাল্লকপা মতমদা খোংনাংখোং ফম্বী অবোকসিদগী পাকনম, মঙ্গল কংঙৌ পৈশা শিকিগী লৈবদা ঐখোয় মী অনী অহুম চামিন্নবা য়াই। ঈশিং খৌরাংলকপদা ওঝাদা হায়রল্লগা লমজাওদা লৈবা টোটি কোঞ্জিলদা ঈশিং খুজোক য়ারগা থকলুই। টোটি তারমদ্রগনা কোঞ্জিলদা চিন্না চুপ্লগা থকখি। সেগ্রাক্তা লাইরিক ময়াম য়েপ্লগা স্কুল কারকই। ক্লাস আইট তল্লকপদা পাইটু (লাইরিক খাও) য়াল্লকখি। স্কুল বেগ ঐখোয় খঙলক্তে। লৈই চিংনবা ৱাচেৎকী পথাপ (স্কেল) পায়রগা লাইন চিংদুনা খুৎই নীংথিনা ইনবা তমলকখি। লাই য়েক্লিংলকপদা তুমিন্না যূমগী মী খঙহন্দনা য়েকলকই। চেদা লাই য়েকপা ইমানা ঙাঙঙি। অরেম্বদা চে লোইথোকই হায়না চৈ। ড্রোইংসি ক্লাস য়াম্না তমদ্রিঙৈগী লাইরিক তম্বদা য়াওরক্তে। চে দিস্টা অমদা পৈশা য়াঙ্খে (মখায়),শিকিহুম-পৈশা হুম্ফুতারা মঙা পীবা চে দিস্টা লৈবা ঙম্নদে। রিক্সাদা সিনেমাগী মাইক লাওবা লাকপগী মতুংদা তান্নরগা চাইথরম্বা চে খুল্লুই। চাইথরম্বা চেগী মনমগী অহাংবদা লাই য়েকলকখি। কলর পেন্সিল (মচু মচুগী পেন্সিল) ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা উরক্তে সুপ্নগী পেন্সিল অমদা তঙ্খায় অমনা হিগোক মচু ওইবা তঙ্খায় অমনা অঙাংবা মচু ওইবা থেংনরকই। কোবি পেন্সিল হায়দুনা চিন্দা লৈনা থেংলগা থোকলকপা মচু শীজিন্নরকই। মুক য়াওবা ইননবা কলম পায়রক্তে। ক্লাস সিক্সতগী মুক্কী কলম পায়রকপা হৌখি। ওম্থোকপা অকনবা কাঙলোন অমদা লাইরিক তমলকখি। ওল ইন্টর স্কুল কলচরেল মিট হায়দুনা মণিপুরপূম্বগী হায়স্কুলগী থাক ফাওবগী মহৈরোইশিংনা তোঙানবা হৈ শিংবা, শৈরেং থিবা, জগোয় শাবা, ঈশৈ শকপা, অতেনবা লীলা উৎপা,মখল মখলগী কলচরেল আইটেমশিং অথোয়-অহেন তান্নবা ঙল্লিঙৈদা য়াওরকখি। লাইরিক লাইশুগা মরী লৈননা চৈচৎ কুমশীং ১৯৬৯দা মতম অদুগী ডাইরেক্টর , এন বি সিনহ,ডাইরেক্টর ওফ এদুকেসনগী থৌরমশিংদু কান্নবা য়াম্না ফংখি। টেলেন্ট হন্ট তৌনবা থৌরম্নি। মখা তারকপদা কুমশীং১৯৭৩ দসু পাংথোকপদা শরুক য়াখি। মখা তারকপদা পাংথোকখিবগী পাউদি তাখিদ্রে।

হৌজিক লাকচনিংলিবা ৱাফমদি, ঐখোয়গী ঙসিগী মহৈরোইশিং অফবা য়াম্না লৈরগসু সরকার অমদি প্রাইবেৎ হায়না অনী থোক্লা খায়রগা উরিবসিদা মীৎয়েং থম্নিংলি। প্রাইভেৎ স্কুল অমদি গোভর্নমেন্ট স্কুল অনী অসিগী মহৈ তম্বীবগী মওং খেন্নবা সেলেবসতা খরা খেন্নবা উই। তমগদৌরিবা হীরম, সেলেবস অসি য়াম্না মরুওইরি। লৱার ক্লাস,হায়স্কুল ফাওবগী অমদি হায়র লেভেলদা তমগদবা হায়না অখঙ অহৈ ওঝাশিংনা থাক খাইদোক্লগা শেন্মী খঙজৈ । মতাং অসিদা ঐখোয়না করম্বা পোৎশক অনৌবা হাপ্তুনা তমহনসিগে হান্নগী করম্বা লৌথোকসিগে হায়বসি মতম অসিদদি নৌনা খন্নবা চুম্মী। থায়নদগী তমলকপা শৈরেং, ৱারেং,ৱারীমচা খরদা হঞ্জিন হঞ্জিন্না হৌজিক ফাওবা তম্বা য়াওরি। মসিনা নোলেজ দা হেনগৎপা ঙমদবসু য়াওগনি। অনৌবা পারা তম্বনা তাকপীগদবা ওঝা অমদি মহৈরোইশিংগী মফমদা হেন্না থৱায় য়াওনা হোৎনরক্লবগী মরমসু ওইগনি। হৌজিক্কী মতমসিদা ক্রিয়েটিভ রাইটিং অফবা য়াম্না থোকলক্লি। পূন্সি ৱারী বাইওগ্রফি অফবা পুথোক্লরি। লীলা ড্রামা অফবা টেক্সশিং য়াম্না ফোঙনরি। সাহিত্য একাদেমীনা ফোঙলবা অমদি শকখঙলবা লাইরিক মখল কয়া লৈরি। সেলেবসতা হাপ্পা য়াবা নাৎকা শাগোন্নরকপশিংগী মনুংদা অরীবা ৱারেং লাইরিকশিংদগী লৌখৎলগা লাইথোকহন্দুনা তম্বা য়াবশিং য়াম্না লৈরি। পূম্নমক সেলেবস কমিটিগী এক্সপর্টশিংনা নাৎকী পোৎশকশিং অসি খঙবীরগদি য়াওহনবা ঙমগনি। সেলেবস কমিটিদা য়াওবীরিবশিং মতমসিগী ফোঙনরিবা লাইরিকশিং হোংলক্লিবা লিটরেচরগী টেক্সশিং হেন্না মশক খঙবীবা ওঝাশিং ওইহন্নিংঙি। থৌ চিনবদগী অনৌবা পোৎশক উবীদ্রবা, নৈনবীদ্রবা নাৎকী পোৎশক মমি শামদুনা উবিদ্রবা অমদি থাইনগী ৱারেং শৈরেংশিংদগী হেন্না ৱাখল্লোন উদ্রগদি মতমসিগী সেলেবসতা য়াম্না চান্নদবা অমসু ওইরগনি।

হন্দক মণিপুরগী ইকায়খুম্নজরিবা চিফ মিনিষ্টরনা অখন্নবা থৌরাং ওইনা এদুকেসনগী সেলেবসতা মিৎয়েং চঙবীরক্তুনা মহৈরোইশিংদা মরৈবাক নুংশিবগী ৱারী, লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা চীংমী তম্মী খূদিংমক্কী নাৎকী মরমদসু অমদি ফুঙ্গা ৱারীনচিংবশিং মহৈরোইশিংদা তমহৌনবগী অপাম্বা মেডিয়াদা ফোংদোকপীখিবা অসি অচুম্বনি অমদি ঐখোয় পুন্নমক্না শৌগৎফম থোকই। তম্পাক্কী ৱারী খক নত্তনা অমদি তম্পাক্কী অইবশিংগী টেক্স খক নত্তনা চীংগী অইবশিংগী মরক্তগী ফজবা মোরেল ভেল্যু য়াওবা ৱারেং শৈরেংদগীসু লৌখৎতুনা তম্বা মথৌ তাই। মতৌ অসুম্না চীংমী ইচিল ইনাওশিংনসু মখোয়গী সেলেবসতা তমগী অইবশিংগী মরক্তগী খনগৎলগা তল্লগদি ইন্টিগ্রিটিগী ৱাফম খক নত্তনা লমদমসিগী নাৎকী মশক খঙমিন্নবদসু অচৌবা মতেং ওইগনি। হৌজিক ফাওবগী চীংগী অইবশিংগী মরক্তগী টেক্সতা তল্লিবসি মাংথোই থাইমৈগী 'নাওশুম অমত্তদগী' হায়বা ৱারেং অসিমদি য়াওরি। মতৌ অসুম্না কবুইগী, মরিংগী,তাঙখুলগী,চোথেগী অতৈ চীংমী অইবশিংগী লাইরিক্তগীসু লৌখৎতুনা তল্লবতদা চীং অমসুং তমগী ৱারীশিং খঙবা ঙমগনি। অইবশিং মশক খঙবা ঙমগনি। হেন্না অইবা থোকলকপসু ঙমগনি।

চীংমীগী লোল অমদি নাৎকী মরমদা তম্নবগী খোঙথাংসু অনৌবা সেলেবসতা য়াওহন্নিংঙি । চীংমীনসু মৈতৈগী লোন অমদি ৱারেংশিং তম্নরগদি হেন্না নাৎকা মরী লৈনবশিং খঙবা ঙমগনি। মাইকৈ অশোমদা পূক্লিং চঙলক্লবা চীংমীগী লোনশিং তম্বা তম্পাক্কী মহৈরোইশিংগী মরক্তা য়াওরক্লবা স্কোলারসিপ নৎত্রগা তোঙানবা শেন্থং হেন্না মতেং ওইনবা পীবীরগদি মহৈরোইশিং লোনশিংবু তম্নিংবগী হোৎননিংবগী অপাম্বা লৈরক্কনি। ঐখোয়না লাইরিক খক তম্বা য়াদ্রে লোনসু তম্বা মথৌ তাই হায়বসি হৌজিক্কী মতমসিদা নীংশিংমিন্নবা চুমগনি। মীরমগী লোন তম্বগুম ইরমগী খুন্দামিন্নরিবা চীংমীগী লোনশিং শোয়দনা তল্লগদি অহেনবা নাৎকী মশকশিং খঙবদা মতেং ওইগনি, নুংশিনগনি।

তম্বগী মতাং অসিদি হায়বগী লোইবা নাইদ্রে। মতম অমা মহৈ অমা ওইনা তম্নরকপা লমদমসিগী নাৎকী মশক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরল্লিবা খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ, পেনা ফমশক ঈশৈ অমদি অতৈ লাইরোন-তিল্লোন (রিচুয়েলস), খুন্নুং ঈশৈ (ফোকশোংশিং) ঙসিদি উনা উনা মাঙশিল্লক্লি। য়ানশিনবা চাংয়েং ঈশৈ ময়াম্না অশেঙবা ফোকশোং ওইনা শক্লরক্লি । নট ঈশৈরা পেনা ঈশৈরা, খুল্লং ঈশৈরা খন্দোকফম খঙদবা ঈশৈশিং শৌ শানা নহারোলশিংনা শক্লরিবসি কয়াৎ অমা য়াথোক্তুনা থম্বীদ্রগদি মতম খরগী মনুংদা অশেঙবা মশকশিং লোইনমক মাঙখ্রগনি। তোঙান তোঙানবা শিনফমশিংদা লমজিং লমতাকপা শৈশকশিং খঙবীবা অহল লমন খরদি হিংলি। মখোয়শিংগী মমাংদা নাখৈশেংদবা ঈশৈ ময়াম অমনা ফোকনি, নট ঈশৈনি খোংজে ম পর্ব্ব ঈশৈনি হায়না শকলকপা মতমদা অহল লমনশিং অসিনা মিৎতা পি তানা খাঙলিবসি ঐখোয়না করিগী উরোইদবনো । অহল লমনগী পোৎশিং অসি কদায়দা করম্বা মফমদা হিংহল্লিবগে, ঙাক শেল্লিবগে হায়বসি ঐখোয় খন্ন-নৈনবা তৌদ্রি। হৌজিক্তি অশেংবা তমগে হায়না থিরকপদা তাকপীগদবা অহল লমনশিংদি লাইওইখিবনা অয়াম্বা ওইরগনি। ইশাগী অশেঙবা ঈরল খঙদনা অকেমফাৎতা চাংয়েং তৌবসি মাইকৈ চুম্না তাকপীরম্নবা লৈঙাক্কী থৌশিল চংলি। লমদমসিগী কুম পুরবা কলচরেল পোলিসি হায়বসি মীরোল য়াল্লে তারিবা ঙসি ফাওবা থবক্তা ওম্থোকপা তৌদ্রি। কলচরেল পোলিসি লৈরগদি অরেপ্পা অমা লৈরগনি, অরীবা চৎনবীশিং য়োকখৎপা ঙল্লগনি খঞ্জরকপা ঙসি ফাওবা মমি তম্বা উদ্রি। চাং য়েংনিংবা, অনৌবা পাম্বা হায়বসিদি হৌরক্লিবা নহারোলশিংগী হৌনশানি। মখোয়গী মরাল ওইরোই। মফম চানা শীজিন্নহনবা, তাকপীবা, পোৎকী মমল খঙহনবা হায়বসিদি ওঝা গুরু অখঙবশিংগী মথৌনি। ঈশিংগী ঈয়াইদা হোন্দোকলক্লিবা ইয়াইগী পোৎলুম থন্না য়াওরবা হিশিং অসে মাইকৈ অমুক্তং তাকপীরম্নবা থৌরাং অথুবদা মরী লৈনবশিংনা পায়খৎপীয়ু। মসিগী অহানবা মফমদি মহৈশঙশিংদগী ওইহনসি । এদুকেসনগী সেলেবসশিংদা য়াওহন্দুনা তমহনবা হৌহনসি । মীরোল ওইরগসু 'কলচর ইন এদুকেসন' হায়বসি করিনো হায়বা অমুক্তা নৈনমিন্নরগা ঐখোয়গী এদুকেসন্দা চাংয়েং তৌরগা হাপহঞ্জনিংঙি ।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-১০২

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

নাপী পুনশিন্দুনা লৈরল্লিবা মীওই অদুদা মহাক্লা পোঙনা ৱা চাওনা ঙাঙলিবা অদুগী কান্নবা ফংলিব্রা নৎত্রগা ফংদব্রা হায়না য়েংই। অদুবু ৱা চাওনা ঙাঙলিবা অদুগী মহয় শুপ্নগী সনিচর খক্তদা মদুগী ইফেক্ট লৈবগী মমি তাবা উই। মতৌ অদু এসিয়াদা হিন্দুষ্টানগী অমদি অফ্রিকাদা নেতাশিংগী লৈরিবা ফীভম অদুগুম্বনি। নুপা অদুনা চিংনবা লৈতনা হায়রকই, "য়াম্না ফরে, প্রধানদো নঙ হেক ওইরো। অমা নৎত্রগা অমনদি অদুমক ওইরগদবনি।" অশাউবা অমগা লোয়ননসু হায়রকই, "খুঙ্গং অমদি পঞ্চায়টসু অদু মঙাই লৈঙাক্কী মমৈ য়ান্দুনা লৈবা ঙাক্তনি!"

সনিচরনা ইকায়বা পীরক্লে হায়না খল্লি। অদুগা হায়রকই,"মমৈদি অদুমক য়ানগনি, অদুবু নুমীৎ ১৫গী মতুংদা শিবপালগঞ্জগী নাপী নামা ফাওবা শোক্তুনা য়েংউ মদুদা করি তৌরকপগে হায়বদু!"

নুপা অদুনা চিংনবা লৈতনা অমুক হায়রকই,"মদু ওইরবদি ঐ নাপী নামা ফাওবা শোক্লোই। অদুবু নাপী পুনশিন্দুনা লাই নিংবগী চৎনবিদি শিবপালগঞ্জদগী হৌরকখিবনি। মফম অসিদগী হেন্দোক্লরোই।"

রঙ্গনাথনা মখোয়গী মাংদা নাপী কয়া পুনশিন্দুনা লৈরিবা অদু য়েংলম্মী। অদুগা হংলকই, "মদুবু করম্বা মওংগী লাই খুরম্বা মখলনো?"

"খঙদেদা করম হায়না তৌবনো? ঐখোয়না তাবদদি, হনুমানজিনা কনাগুম্বা অমগী মঙদা হায়রম্বদগী মফম অসিদা নাপী পুনশিনবগী থবক অসি হৌনরকখিবনি।"

সনিচরনা পাখৎলক্তুনা মখুৎ লোন্নরকই। অদুগা হায়, "অদু ওইরবদি নুংঙাইনা ননিংতম্না নাপীদো পুনশিল্লো ভাই, লাইনিং-লাইশোনগী মতাংদদি অথিংবা অমত্তা লৈতে।" ৱাফম অদু হায়রল্লগা মঙোন্দা লৈজরিবা হৈশিংবা মকোকতু ৱাখল খনবদা থাদরম্মী অদুগা রঙ্গনাথতা হায়, "অদুবু বাবু রঙ্গনাথ, ঐখোয়দি অমুক্তা তাখিদ্রি। মদুগী মঙ অদুবু কনানা মঙখিবা মঙনো? ঐনা লাকখিবা মতম অদু ফাওবদদি মফম অসিদা নাপীশিং অসি কনা অমত্তনা পুনশিনবা উখিদে।"

রঙ্গনাথনা হায়, "ঐদি করিমত্তা খঙদে। মাম্মনা ঐঙোন্দা হায়খিবদি অসোমদা চৎলবদি নাপী মপুন অমা পুনশিল্লগা থমলম্মু হায়খি। অদুনা ঐনসু পুনশিনলগা থম্বনি। মদু হনুমানজিগীনি হায়না মাম্মনা হায়খি।"

ৱাফম অদু হেক তাবগা সনিচরগী মকোক্তা হনুমানজিগী ৱাখল খনগৎলকই। মমৈ য়াওদবা য়োং অমগী মতৌগুম্না নাপী মরক্তা চোংশিনখিদুনা অৱাংবা নাপীশিংগী মরক্তা চঙদুনা নাপী পুনশিনখি। নাপী পুনশিল্লিঙৈ মরক অদুদা কয়ারক হন্না মহাক্লা 'জয় বজরঙ্গ'গী খোল্লাউ লাউখি। রমাধিনদসু মহাক্লা কয়ারক হন্না মচিন থিদুনা চৈরম্মী। অদুগা ৱারোইশিন ওইনা হায়, "অচুম্বনা য়াইফগনি, য়েক্লবগী অৱাবা ওইগনি!"

রঙ্গনাথনা অমুক হায়জিল্লকই, "রামনা অচুম্বনি। অচুম্বা ঙাঙউ, অৱাবা কোক্কনি।"

সনিচরনা ৱাফম অদু তারমদে। ৱাফম অদু তারল্লবদি মরৈ য়েৎলক্কদবনি। অদুবু ৱাফম অদু লাইনিং-লাইশোনগী ওইনা য়েংলুরবদি অচুম্বা ৱা অমনি। রামগী মতাংদা মফম অমদা অমদি তাঞ্জা অমদা হেক্তা ঙাঙবা য়াই। সনিচরনা নাপী অদু পুনশিল্লগা অমুক হন্না হনুমানজিগী মমিং লাউরক্লম্মী। মশাগী অন্দর ৱেয়রদা মখুৎ অনীদু তৈথোক্লদুনা মহাক্কী মতুংদা মমৈ পান্দে হায়বগী ৱাফম অদু খল্লুদনা অমুক হন্না য়াঙনা চঙশিনখিরম্মী।

রঙ্গনাথকী ৱাখলদা অঙ্গৈংবা অমদি ৱাখল চাওথোকচবা অমগী মমি তপ্না-তপ্না তারকই। গ্যান-মেন তাদনা ঙসি মহাক্লা অনৌবা চৎনবী অমা থবক ওইনা তৌখি। থবক অদু অরিবা লাইনিং-লাইশোন পূম্নমক পুনশিল্লগা য়েংলুরবা মতুংদা শুপ্নগী নাপী মপুন অমা খক পুনশিনবগী ৱানি। মহাক্লা মশানা-মশাবু বুধ, মহাবির, শঙ্করচার্যনচিংবগী মনুংচন্না উবা ফংজরম্মী। অদুগা মহাক্লা মশা মথন্তা মথম্মোয়দা ৱাহং অমা হংজরম্মী, "ওজা, ঐ ইশাগী মতাংদা খঙজৈ অদুবু নঙ হায়য়ু। অনৌবা থবক অমা তৌনবগী ৱাফম অসি মতৌ করম্না ঐগী ৱাখল্লোলদা লাকখিবনো?"

খুঙ্গং অমদা কনাগুম্বা অমনা মীশক অমা হাৎলম্মী। অতোপ্পা য়েক্লবা অমদা তায়শিন্ননবগীদমক পুলিসতা মী হাৎপগী কেস অমা থাঙ্গৎলম্মী। অদুগা অতোপ্পা মী অমনসু মহাক্কী য়েক্লবগী লমন খুম্নবগীদমক মীওই অদুগী মায়োক্তা প্রমান পীনবগী ৱাফমসু য়ানখ্রে। অদুগা কনাগুম্বা মীওই অমনসু কনাগুম্বা অমদা কেস অদুগী মতাংদা লেপ্পিনবা হায়জরম্মী। কনাগুম্বা অমনা মহাক্কী মায়কৈদগী কেস অদু মায়পাক্লবা শেল পীশিনখি। কনাগুম্বা অমনা প্রমান পীগনি হায়রিবা মীশক অদুদা কীহল্লম্মী। কনাগুম্বা অমদনা অপঙবসু শীরম্মী অদুগা কনাগুম্বা অমদনা মীনুংশি উৎলম্মী। মতৌ অদুম্না থৌদোক অদুগী ৱাফম অদু অসুম-অসুম চৎথরকখিবনা থৌদোক অদুগী মশক হোংদোকরক্তুনা মী হাৎপগী কেস ওইদ্রদুনা 'মী হাৎখিবগী লমন' শিংবগী মীংদা দ্রমা অমগুম ওনখ্রে। মায়কৈ অনীগী উকিলশিংনসু য়াম্না ফজনা দ্রমা অদুদা অচৌবা রোল লৌখি। অদুগা জজ অদুসু চিংনবা অমত্তা লৈখিদ্রে মদুদি দ্রমা অদুগী মতুংইন্না ফজবা পোৎশক কয়া উবা ফংখি। অদুবু কেস অদুগী মতাংদা প্রমান পীগনি হায়না থোরকখিবা মীশক অদু তশেংনমক মীনম্বা মী অমা ওইরমখি। অরোইবদা মীনম্বশিংগী থিওরি অদুগী মহয়না মহাক্লা মরাল লৈরবা মীওই অদুবু মরাল লৈহনখিদ্রে, লোয়ননা মী হাৎপগী থৌদোক অদু তশেংনা অদুমক থোকখিদবা থৌদোক অমগুম তাহনখ্রে। কেস অদুগী ৱারোইশিনদা 'মরাল লৈরবা মীওই হরিরাম' মী হাৎপগী কেস অদুদা মরাল লৈতে হায়না ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা থাদোকখি।

মরাল লৈরবা হরিরাম জজনা মরাল লৈতে হায়খ্রবসু মহাক্কী ইকায়খুম্নবদি মাঙখিদুনা অদুমক গুন্দা ওইনা লৈখি। মহাক মতম খরা জেলদা লৈরুরবা মতুং থোক্লক্লগা মহাক্লা মফম অদুদা মহাকপু লান্না উরিবা মীওই খুদিংমক হায়বদি নুপী, অতোনবা ফুরুপ অমসুং মুসলমানশিংবু থাদোক্লল্লগা মীওই খুদিংমকপু চাক কৌরম্মী। মদুগী মহয় ওইনা শিবপালগঞ্জগী মরুওইবা মীওই খুদিংমক থংনরিবা হরিরামগী খুঙ্গংদা চাক চাবা চৎনখিবনা খুঙ্গং অদুদা রঙ্গনাথ অমদি ৱেদ্যজি মখোয় অনী খক্তা ঙাইহৌরে।

নুমীৎ অদু মহাক্কী ওইনা য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি তাবদা ৱারবা লেকচর অমা তাবগুম থোকখি। নুমীদাংৱাইরমদা চম্না কোয়বা থোক্লকখি। মদুদা মহাক্লা প্রিন্সিপাল সাহব অদু দুকান অমগী মমাংদা লেপ্পা উই।

মহাক ক্বা চারম্মী। মহাক্লা চারিবা ক্বাগী শেল পীনবা হোৎনরম্মী। ক্বাগী দুকান ফম্বা নুপা অদুনা মঙোন্দা ক্বা পীজখ্রে অদুবু ক্বাগী মমলগী মতাংদা মহাক্লা হায় মদুদি দুকান অসি অদোমগীনি, ক্বাগী মমল করিগী লৌগদৌরিবনো। মতম অদুদা রঙ্গনাথসু থুংলখি অদুগা প্রিন্সিপাল সাহব অমদি মখোয় অনীনা দুকানদা লৈরিবা পোৎশিং অদু য়াম্না মুন্না য়েংদুনা লৈরম্মী। পোৎশক অমদা মচু-মমেন য়াম্না ফজনা মফ্লর য়ানবা মহাত্মা গান্ধীগী অঙকপা মওং অমদা নোক্তুনা লৈবা ফোটো অমা উরম্মী। ফোটো অদুদা মহাত্মা গান্ধীগী মনাক্তা জৱাহরলাল নেহরুসু মখুৎ লোন্নরদুনা লেপ্পি। ফোটো অদুনা তাক্লিবদি মচু শংলবা থাউ অদু ভিটামিন দি ৱাৎপদগী নাবা অঙাংশিং লায়েংনবা হীদাকনি। রঙ্গনাথনা হায়, "অদোম উরবরা?"

**মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা**

**ৱারী ককনাউ**

# শাজৌগী চিঠি

"করিগী চিঠিনোনে সিবো? হৌজিকপু চিঠিগা ঐগী মীংদা লাক্লিসিবু কনাগী ওইরিজাৎনোনে, শেল ফংবগী মতাংগা ওইরদি নুংঙাইখ্রনিদা? থাজদেনে অদুসু" ৱা ঙাঙনা ঙাঙনা শাজৌনা পোষ্ট মেন অমনা পীরম্বা চিঠি খাওদু শেগাইরি। বেঙ্গলি ময়েক্লা ইবা চিঠি ওইরম্মী। মদু উবদা পূমঙক হেক ঙকই। চিঠিদুগী মখাদা খূৎয়েক পীরিবদু য়েংই, "নহাক্কী থরো" হায়না ইরম্মী। মীংদু উবদা শাজৌ শ্বাই লাওই, অহিং অথেংবা, নোংথি নোংমঙবদা, অমম্বদা মথন্তগা হল্লকপদা ভুটকুম্বা অমা ৱাংদ্রিং ৱাংনা মমাঙদা চপ লাউনা লেপখৎলকপদৌনা লৱাই শম চপ হেক য়ুংই। মীকূপ অমা-অনী তরং চৎলুরবা মতুংদা ইমুংলোমদা মাগী নুপী লৈব্রা হায়না হায়রপ য়েংলগা চিঠিদু থুরেখৈ অমুক থুপচিল্লগা, মনিংলোমদা প্রপ-প্রপ চৎখি।

থরো হায়রিসি মথায় থায়না হায় তারেনে, শাজৌনা হায়রপ কোইরম্বনি। থরোদু কোইনা কোইনা ইবেৈল্লেসু লোন্না কোইবনি। নোংমা ইবেৈল্লেদু ইচম চম্না চীংয়া অমদা কোইবা চৎপনি। মীগা য়াম্না চিকপা উখা অমদা ফম্মগা ইবেৈল্লেগী মনম নুংশিবা চেঙহি মনমদু নুংশি হায়না নমদুনা শান্নরিঙৈদা, চীংদা শীং চনবা লাকপা নহা খরনা খুদক্তা কৈন্যা কৎতুনা ইবেৈল্লেদু লুহোংখিবনি। মদুদগী থরোগা লাপ্নখি। থরোদু য়াম্না ৱারৌখি হায়না তাখি অদুবু নোংমতদি উনখিদ্রবনি। করিগীনো থরোনা ঙসি মঙোন্দা চিঠি ইরক্লিসি হায়না হায়রপ খল্লি। হুরানবদৌনা কোইনা হায়রপ য়েংলুরগা, পুখ্রি মপান্দা ফমথরগা চিঠিদু অমুক পুথোক্লগা পাগে তৌরি।

তাদা শাজৌ,

ইঙক ঙকপরা? অসুম্না ঐনা চিঠি ইরক্কনি হায়বসি থাজরম্মোই। লাইচৎ অমা লাকপসিদা করম করম পাল্লিগে, অনা-অয়েক য়াওদব্রা হায়না হংলকপনি। শাউব্রা? ফোন নম্বরসু লৈতে, অদুনা চিঠি ওইনা ইরগা নঙগী এদ্রেসতা থাখিবনি। তাদা, ঐদি মহৌশাদগী য়াম্না হোংলে। ইচানুপাদু দেল্লীদা লাইরিক তমহনবনি, মাদি লাইরিকসু য়াম্না ফৈ। লাইচৎ মনুংসিদা যূমদা কৌথোক্তুনা লৈ। মচননুপীদুসু মথং ত্বেলভ এগজাম থাগদবনি, মাসু রেঙ্ক চল্লি, টোপ্পর ওইনি হায়না তূম্বা চাবা খঙদখৈ কন্না হোৎনরি। পূম্নমক শেম্বীবা মপুগী থৌজাল হায়দু তারে। মপানা নুপাদুদি আই এ এস ওইহন্নি হায়রি, অদুগা ইচানুপীবুনা ডাক্টর তমহন্নি হায়না ফেংলি। ঐদি মোইবু শেন্নবদা নোংমতা শঙদ্রেদা, লাইরিক্লা মোইনা তম্মগা ৱাবনা ঐনা হেন্না ৱারেদা।

ঐখোয়সু হৌজিকফাওদি, মপুনা থৌজানবীবদগী অনা-অয়েক্কদি অমত্তা য়াওদ্রি। নুমিৎ খুদিংগী মী শিবগী চাং হেনগৎলকপা, মী ময়াম অমা নারকপগী পাউ লেপ্তুনা তাবসিদা করিগীনো খঙদে, তাদবু নহাদগী কন্না নীংশিংলকই। তাদদি ফাগিসু য়াম হৈদনা, ওইদবসু অওইবা মান্না ঙাঙবা হৈ, অওইবসু ওইদবা মান্না ঙাঙইদনা। মমাঙঙৈ তাদনা ঐবু হেক উবকা হেক হেক লক্লখিবদো হন্দক্তি পংনীংদা নীংশিংলগা পংনোক্তা নোকনীংই।

তাদনা হেক হেক হায়বদো,

"নুপীগী থম্মোয়সিদি বিড়িগা চপ মান্নে, চিংবা হেক লেপ্পগা পুৎ লাওনা হেক্তা মুৎপনি, অদুনা নঙ বিড়িগী থম্মোয় চেন্নুকো" হায়না হেক হেক হায়খিবদো, ঐদিনে তাদ নীংশিংলগা নোকপদা শিরে। ঐনা মতমদুদা তাদদা হায়খিদনা "তাদা শাজৌ, কৈনো তৌবা য়াবা থবক অমা তৌনবা হোৎনসি, হয়েং তুংদা য়াম্না ৱারক্কনি" হায়না। অদুদা তাদনা খুমখিবদো, কয়াম নোক্লিংই,

"চথোদা, স্কর্ট অরাংবা অতেনবা অমা শেৎপা, কৈসু লৈতবা নঙগী অলেকজেন্দর হায়দুনা মালেম পূম্বা খুদুম চনবদি ঙল্লগা, ঐগুম্বা খোঙগ্রাও অশাংবা ফজবা শেৎপা, খূৎতা খুদাংয়াই, খুবোমদা খুবোময়াই অমত্তা ফাদবা টেরিকোতনগী অনানবা ফুরিৎ লিৎপা ঐনা কৈদৌ ৱাজরুনেগে, য়েংঙু ঐনা হয়েং তৌবা" হায়খিবদু হৌজিক্তদা নীংশিংলগা য়াম্না নোক্লিংই। ইথন্তা থিক-থিক নোকপদা ইচাখৈনা কৈদৌরগে ঐখোয় ইমাসিবু ঙাওরবরা হায়না হংলিপোৎনি। তাদদি ফাগি য়াম হৈবনি, হৌজিকসু কৈসু ৱারম্মোই, নুংঙাইনা লৈরমগনি। ঐদি তাদনা লুহোংখ্রবা মতুংদা, যূম পাল্লরোই হায়না খল্লুরবনি, অদুবু ইমাগা পাবগনা কন্না হায়বদগী ঐগীসু মতম হায়দু য়ৌরক্তুনা যূম পানখিবনি।

তাদহোইবু করম করম তৌবিরিগে, ইনম্মনা করি হোৎনরি, অঙাংশিংদি করি করি তৌরে, ক্লাস কয়া কয়া তম্মে? অনা-অয়েক্তি থোইদোক্লা য়াওদেদনা? নাদনবা চেকশিনবীয়ুকো। মাস্ক উপ্পা কাউবীনু, হেন্দ ৱাশ নীংশিংবীয়ু, সাপোননা খূৎ-শা শেংনা হামদোকপীয়ু, খুদোং চাদবা মফমদদি সেনিটাইজর শীজিন্নবীয়ু। সোসল অমদি ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপীয়ু, য়ামদ্রবদা ফীট তরুক্তি লাপ্নবীয়ুকো, থৱায় হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবনি, ঐখোয় নাদনবা হোৎনসিকো তাদা। কৈসু হায়নীংঙাই লৈতে। সুম পাউমেঞ্জরকপনি, লোইশিনজরে। - নহাক্কী, থরো।

চিঠিদু পাবা লোইরকপদা শাজৌদু মপি ড্রোপ অমা চিঠিদুগী ময়ায়মক্তদা পোপ লাউনা তারকই। চিঠিদু থুপচিল্লে, মমায়দু নোংথক্তা ওনখৎলগা অহাঙবা শুন্দ্রংদা মুন্না য়েংদুনা লৈখি। যূমগী মনিংথোংদগী মাগী নুপী ইবেৈল্লেনা মখ্বাং মেক্তুনা মাবু কৌরকই, "হো অদুদা কৈদৌরিনো, চেঙ লৈত্রিয়ে, কৈনোমা খন্নসে লাও-ও" ৱাদু তাবদগী শাজৌ ফুক লাউনা হৌগৎখি। শাজৌ তপ্না তপ্না মখোঙ থাংদুনা ময়ূমলোমদা লাকই। খল্লি, থরোদু মবুকচেল য়াম্না শেংবনি, ঐনা মাবু হেক মীরাইবিখিবনি। মা নুংঙাইজরসনু।

**— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।